"তাইবঙ মীগী চিন্থোকপু কনানা হুকপা ঙমগনি। চাক মরূ অমতংনা চেঙকোক অমা মাঙহনবসু লৈ।" -হিজম গুণ (তোনু লাইজিংলেম্বী)

# খোঙচৎ

## পেনা খোংলি

**—এল চিত্র**

ঐ অসুম অসুম হিংবা তনশিল্লক্লে
ঊ থারম্মী মমাঙগী ওফিসর কয়া
ঐসু থায় ওফিসর ওইরকপদা
হৌদে মখোয়গী ঊশিং
হৌদে ঐগী ঊসু
মমাঙগী ওফিসর ওইদবা ঙাঙখি
মথংগী ওফিসর ওইদবা ঙাঙখি
ঐসু ঙাঙউ হায়
কয়াদা ৱারবা?
লানদি লোইরে হায়
লানদি শোক্লরি মীতৈ কুকি
হায়রি সী এম অচুম্বা ওইনা
নোংমৈ কাপ্পরি মী শিনরি
অসিবু লান নত্রব্রা?
মৈরা পায়বী ৱাকৎ মীফম
নীশা বন্দ ৱাকৎ মীফম
ৱাকৎ মীফম ফম্লরি মীয়াম
কনাদা ৱাকৎলিবা মপু পান্দ্র লৈবাক্তা?
ইতিহাসনা ঙাকপীরোই
অমম্বা মতমগী ৱাখল লৌশিং থেল্লবা
নশাগী ওইজবতা তাল্লবা নখোয়
অশোনবনা লাওরি 'কনবীয়ু কনবীয়ু'
অকনবনা হায় 'হাৎকনি হাৎকনি'
মরাল লৈজদ অশোনবা
নাশিখোংদা তাইনবা
ঙল্লগদি হাৎলুনে শা মানবা মখোয়দো?
চমজরবা লৌমীদা খূৎলায় থাবা নখোয়দি
পাংদবনি পাংদবা
থাজদে থোরক্কনি অসুম্না য়ূমদাংবনা কৈনাবা
হিংবসে অসুম অসুম তনশিল্লক্লে
ওন্ন-তৈনা ঙাক্তা
অচুম্বনা লানবদি, অরানবনা চুল্লবদা
অরানববু শৌগৎপা, অচুম্ববু মাঙহনবা
সিবু করি ৱায়েলনো?
পৈশা পৈশা মরোল থোক্লে
হৌজিক অমা হায়, হোরেল অমা হায়
লুচিংবশিং, লুচিংনীংবশিং
শক উৎলিবশিং, শক উৎনীংলবশিং
মণিপুরগী লুচিংবা, মীয়ামগী মীহুৎ
তাদে মীয়ামগী ৱা
শামু মথুন পেনা খোংলি
শেল চাইরী ৱা ৱা
অদুগসু লাওরি
ঐখোয়গী লুচিংবা হিংসনু, য়াইফসনু।

## নঙগীসু শোয়দনা লাক্লনি

**— জ্ঞানন্দ নাওরেম**

ঙসি নিংথৌ ওইরি
নঙনা তৌনীংবতা তৌরি
মরাল লৈজদবা কয়া
চৈরাক পীনীংই পী
মনা পীনীংই পী
নঙতনি লৈবাকসিগী অঙম্বা!!
অফবা হায়রিবমখৈ হরাওবা
অশোয়বা তাকপীরগনা শাওগনবা
নঙগী লৈঙাকসে করমনো
কিবু কিজরে ঐখোয়দি
হিংচা য়াইতম্বগী মতৌনি
ঙাঙনরে মীয়াম্না নহাকসে!!
মাগী মাগী মতম
লোইনা লাকখি কানখিদে
লাক্লি নঙগীসু মতমদো
পুরক্কনি মতম্না শোয়দনা
কান্দুনা চৎখিবা য়ারোই
নঙগীসু শোয়দনা লাক্লনি!!!

## ফুম্বংনরবা ৱাখলগী চোইরোল

**—কাংজম হেমন্ত**

ফংহনবীয়ু ঐখোয়বু
মহৌশাগী মীনোক্তো
অসুম্না কয়াম কুইনা
খাঙদুনা লেনখো হায়রিবনো?
ঈংলবা নীংথম উলেন মরকসিদা
কদাইদনো নুংঙাইবা
মী ওইনা হিংবগী
পুম্নমক লূপখ্রে ঈরোলনুংদা।
লৈহৌবদো থম্মোয় কায়না
মায়থোঙ মকা লামদনা
য়েংদুনা মপাম লমদম মায়কৈতবু
ঙাইজরকপা নিঙোল ওইবীশিংনা
নুমিত্তো, হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা।
লাকখ্রে অনৌবা চহীসু
কাউনখ্রে য়াইফ পাউজেলসু
লৈতাহন্দ্রে পূক্লিং ৱাখলসু
তাখিদ্রে ইঙাগী নোংজুসু
চুররে পিরাংগী নোংজু
চেল্লরগনি ঈগী লৌখোং
লৈতেংলরগনি নোংদোল অতিয়া পুম্বসে
সংস্কারগী মৈখুতনা,
তেংথাররগনি থৱায়শিংগী মমিনা
চীক্লবা অহিংগী মতমদা।
ফংলিব্রা চৈথেংসে?
থকলুবনা হুবু, অমৃতনি খন্না
থম্লুবনা থাজবা
লৈনম চেন্দ্রবা
লৈরাং নাতোন চাবীবু

অতরগুলাপকুম
পামজনা চিল্লুবনা নাপ্পদা।

## মথক-মখা ওন্নরকপা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ৱাকচীংগী উনলেন নংলুরবা
হঙ্গাম মকা অয়ূক্কী কোরৌ
মখোক্লা থেংলবদা লেক-থরক্লে।
পোইনু লৌরোক লোইরদুনা
নুংশা য়াইনা মাঙ্গোল ফল্লদুনা
অহ, কল্লকইদা হৌখ্রবা
পূন্সিগী অয়ূকশিংদো অমুক
হন্না নীংশিংহন্দুনা,
অমুক লাক্লরোইদবা মতম মাবু।
ঙসিদি নীংথম উন-লেন্না কদাই
পোইনু লৌরোক থা অসিদা
ইঙা, ইঙেনবু ঙমজনা
খাওদোক্লবা লৌগী ফৌবোন
তাওবা মখৈ হৈথরক্লে।
মহৌশা লাইরেম্বী ইমাগী
অঙৈং-অশাগী খল কায়খ্রে,
চেকশিন্না থাঙহৌদনা খোঙথাং
ওইখিদুনা মালেম পৃথিবী
নোংমদি মাঙখিদুনা তুংগী
মীরোলশিংগী খোঙদাফম লৌখিদবা য়াই।

## নোংমৈ - বোম

**—এম নিলকুমারি**

ঐগা চান্নজবা হূইনাও
চাক পূনমিন্নবা হৌদোং
অয়ূক নুমিদাং নুতি খুদিং চাক্কীদমক ৱাজবা
ঙসিদি হল্লক্ত্রে কদায়দনো হায়রমদে
শাবাউ লানপাউ কল্লি
কোয়চৎ চৎকনু হায়জবনি
অদুবু পাউনিলখোল অমদি তারে
মখোয় অনী হৌনদুনা কৌক্রুক্তা লান ঙাকপা চৎখ্রে
হূইগা হৌদোংগা ফাওবা চান্নরবা মতমসিদা
থৱায় পানবা তাইবঙ মীওইবা কৌবা ফূরুপ্পা
হাৎতোক্লরি কাপখায়নরি
ফর-ফরবা নোংমৈ-বোম কয়া শীজিন্নদুনা
অচুম্বনি, শাইদাংবা কাঙবুদি য়ূম্ফম অমত্তংগী
লান্থেংনবা তাবনি
মালেম ইমাগী মতম্বাক্তা লম ইঞ্চি অমা ফাওবা
মালেম ইমানা মখোয়গী মমিংদা থম্বীরমদ্রবা
শিবা-হিংবা মশানা তাবনি
য়েলহৌমীগী মপূদি থা-থৱান নুমিৎ কোরৌ মঙালগী
মখাদা য়েন্নীং হুন্দুনা পূন্সি কয়া লেন্নরি
চীংচেপ চীংয়া মপূ লৈতবোই খল্লুরমাল্লে
লাননি লান লমথুংদবা ফিথুংদবগী লান
থৱায় য়োন্দ্রবদি লানবুং শেমগৎপা য়াদে
কৈদৌঙৈ ফাওবনো ঙাইগদবা
মচি অমদা দুং মচি অমদা দোং
মীশি-মীনা থোকহৌরে
রিলিফ কেম্প ফাওবা মী হেল্লে হায়দুনা
লেকফম চাফম চঙজফম পীবিরক্ত্রে
হে মীওইবা...।

## 'পোক্লফম'

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

পোক্লফম ইমা নুংশিবী
কোয়না চৎলসু কাউঙমদে
থোইনা হেন্না ফজবীনি।
নহা অহল খাক্তনা
ইমা নঙদি চঙজফম্নি
চাবা শেৎপা খুদিংমক
ইমা নঙনা পীবীবনি।
মীরমগী ফুরা দলানসু
ঐদি পামদে মিহৌজদে
পোক্লফম নঙগী খোল্লাংনা
মালেমদা পুমহেন হেল্লরে।

## মীতৈ ইমাসে কপ্লে

**—নাওরেম মঙ্গি**

মীতৈ ইমাসে কপ্লে
মৈশা লাংলে পলেমসে
চানি থক্লি খঙখিদ্রে।
পিরাংনা চোৎলবা মায়থোঙসে
মশম ইফা ফাদুনা
তেংথা নাওইনা কপ্লক্লে
অঙাওবীগুম উংদুনা লৈখ্রে।
অখন্নবা মচানি খন
অকনবা মপারিনি হায়দুনা
মোমোন মীনোক তম্লুবা
মীকিথি মীতম্বাল ওইরম্লে।
পাঙদবা ইচা পোক্লুবা
করি নুংগীনো খন
শিনীংলে মীয়াম মমাঙদা।
নঙমুক শোনবা ইচাসি
অমত্তসু য়াওখিদ্রি কংলৈসিদা
মীয়ানচাগী খোঙয়াদা হিংবনা
য়াইফবনি হায়না খল্লিবা,
নশক্তু য়েংনীংদে তুক্কৎচৈ
নঙগুম্বনা লুচিংবা ওইবদি
মণিপুর শোয়দনা মুৎকনি।
মীনা লাকচবা য়াদবা
তাঙলবা ইচা কয়াসু
নঙনা অরেম্বদা শিহল্লে।
মীচম মীয়াম অসুক ৱারফাও
ফম কোন্দুনা লৈরিবা
নমা ঐনা লৈত্রবদা
নঙগী সিংহাসন্না কৈদৌনি।

মতম মতমগী ৱাখল

# প্রমোদিনি অমদি মহাক্কী লাংলেন থাদোই






মীঙ্গৌ হায়বসি অরুবা অমনি। ঐখোয় মৈতৈশিংদি থৌগল্লোনসি য়াম্না ঙাক্লা চৎনরকই। য়ূমদা কনাগুম্বনা কৌবদা 'হাও' হায়না খুম্বা অহল-লমনশিংনা য়াদে। 'করি হায়গে ইমা..ইনে..ইচে..অসিনচিংব' হায়না খুমহল্লি। ইথক থোংবশিংদা থৌগল্লোন য়াওনা কৌহল্লি। অহল-লমন, ওজাশিং উরগসু খুরুমহল্লি। চৎনবীসি ঙল্লিঙৈদনা হেন্না কুপ্পী।

কনাগুম্বা অমা, ইথক থোংবা ওইরমগদ্রা,ইখা তাবা ওইরমগদ্রা, কনানা চহী হল্লমগদগে হায়বা চিংনরবা নৎত্রগা খঙদবশিংদা 'ওঝা' হায়না কৌনবসি চৎনরকই। 'ওঝা' কৌরগদি ইয়া য়ারে। মসিদি নম্ফুগী ওইবা মীঙ্গৌনি। ইথক থোংবনি চহী হল্লমগনি হায়দুনা ইমা, ইয়াম্বা নৎত্রগা তামো নৎত্রগা পাবুং কৌরুবদা শাওনা খুম্বা মীসু লৈখি। চহী নৌনিংবা মীওই ওইরগদি মরম চাদনা ইমা নৎত্রগা পাবুং কৌরুবা য়াদে। চোংথাম সোমোরেন্দ্র, মতম অমগী আর্ট এন্দ কলচরগী ডাইরেক্টর ওইবীরম্বা ইকায়খুম্নজখিবা ঐখোয়বু পোকপীবসু য়াবা অহল ইবুংঙো ঙসি নীংশিংলকই। ঐখোয়বু পোকপীবা য়াই হায়দুনা মরম চাদনা পাবুং কৌরুবদা শাওনা খুল্লক্কনি। করিদা পাবুং কৌবনো করি মরি থোকই হংলক্কনি। অচৌবা ফম, আর্ট এন্দ কলচরগী ডাইরেক্টর ওই হায়দুনা 'সার' হায়না কৌরুরগনা, ঐ সাহেব ওইরবোই নীংব্রা হায়রক্কনি। পাউখুম পীবা লুবা ৱাহংনি। নহা-অহল খায়দনা লোয়নবা য়াবা,মীনুংশি চাউবা,আর্টপু নুংশিজখিবা, নাৎকী চৎনবীবু ঙাক্লা থমজনীংখিবা মীশক্লি। অরানবা তৌবা য়াদে। নক্লা লোয়নজখিবদগী ঐহাক্কী ওইনা 'তামো' কৌবগী অয়াবা ফংজখি। কোইনখিদে অদুবু থক্তি খাসি কায়বদি য়াদে চোংথামিয়াগী কাংবুনি।

খাইদেম প্রমোদিনিবু ময়াম্না ইকায়খুম্ননা 'ওজা প্রমোদিনি' হায়না কৌবীখি। নহা অহল লোইনমক্লা 'ওজা প্রমোদিনি' কৌখি। মশানা খাইদেম হায়বা য়ুম্নাকসি কয়া শীজিন্নদে। ইরকপদা প্রমোদিনি খক্তমক হায়রগা অয়াম্বা ইবীরম্বা থেংনৈ। খাইদেম ওজা প্রমোদিনিবু কনাগুম্বনা নুপীনি অহল ওইরবীনি হায়দুনা ইমা কৌরুবা অরুবনি। মফম মরাং খঙদনা ইনে, ইন্দোন কৌরুবা য়াবা নত্তে। নহা অমনসু ওজা অদুম কৌবদা হরাউনা খুম্বীখি। তখেল্লম্বম থোইবীদা ময়াম্না 'ইচে থোইবী' নৎত্রগা 'ওজা থোইবী' অনীসি কৌনখি। তখেল্লম্বম থোইবীদা ইমা,ইনে, ইন্দোন হায়দুনা খঙদনা মীঙ্গৌশিং অসি কৌরুবা য়ারোই। নুপী লক্তা শীংথানখিবী ইমাসি বিনোদিনীসু মতাং অসিদা পন্দবা ঙল্লোই। মতৌ অসুম্না মফম খঙদনা ইমা-পাবুং, ইচে-ইন্দোন হায়বা মিঙ্গৌ শীজিন্নদুনা কৌবসি মীশক মীওং য়েংদ্রগদি কৌরুবদা অরুবনি।

মথক্তা পঞ্জরিবশিং অসি মণিপুরগী মশক নাইখিবা নাইখিবী ঙাক্তনি। অইবনি,লাইরিক-লাইশু হৈখিবা হৈখিবী ঙাক্তনি। লমদমসিগী তাঙলবা মীশক ঙাক্তনি। পঞ্জরিবশিং হিংলিঙৈদা লাইবক ফবদগী লোইনজবা ফংজহৌখি। ইকায়খুম্নজরিবশিংগী মরমদা শীংথাদুনা পনবদা লোইবা নাইরোই। মখোয়দগী পারা য়াম্না তমহৌখি। অতৈ শক্লাইবা কয়া অমসু লৈহৌরি। ওজা প্রমোদিনিবু নীংশিংদুনা ঙরাং নহাল লমদমসিগী অইবগী কাঙলুপশিং অমদি নক্লু লোইনজহৌবশিংনা নীংশিং থৌরম পাংথোকখি। ঐহাক্লা অমুক লন্নাই ওইনা ওজাবু ইকায়খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা নীংশিংজদুনা মহাক্কী মরমদা তেনতকপা থম্মোয়গী পাউদম থমজরি।

অতৈ কোইথোকচরোই, ওজাগা নক্লখিবদি কে.পি. ষ্টুডিও হায়দুনা ওজাগী শঙ্গাই ক্লাকৈথেলদা রেকোর্ডিং ষ্টুডিও হাংলকপদগী খঙনজরকখি। ওজাদি মবুক মপাউ চন্মী। হায়নীংবা ৱা দং দং ঙাওঙি। শকওং শবানদা নুপাগী শাজৎ খরা চংঙি। মসিদনি ওজাগা ৱারী ৱাতাই শানবদা নুংঙাইরিবসি। খৃষ্টমাস ময়া ওইরকপদা নোংমা ওজাগী রেকোর্ডিং ষ্টুডিওদগী মপান্দা ঐখোয় ময়াম ওজাগা ৱারী শারিঙৈদা চীংমী নুপা অমা লাকখি। মহাক্লা চঙলক্লগা ঐখোয়গী মরক্তা ফল্লিবা ওজা প্রমোদিনিদা হংখি, 'ইপা- কে.পি. রেকোর্ডিং ষ্টুডিও হায়বদু অসিরা ? ওজানা খুমখি, মানি মসিনি। চীংমীদুনা মখা তারকই, 'মপুদু কৌথোকপীয়ু ৱা ঙাঙনগে''। ওজা প্রমোদিনি তুমিন্না ইমুং চঙখি। হাওফি অমা ইল্লগা অমুক থোক্লকই। 'ঐহাক উন্নগে হায়বদু কনানো ?' চীংমীদুনা খুম্মী, ঐনি। 'নহাক মপু ওইবরা ? ওজানা মঙক নোল্লগা খুম্মী, উম মানি। করি হায়নীংঙি ?' নুপাদুনা মখা তাথনা ঙক্লা হংঙি। 'হৌজিক চংখিবদু ননাও নুপা ওইব্রা শক মান্নৈ?' তৌনরিবা মতৌ অদুদা ঐখোয় তুমিন তুমিন চিন খুমদুনা নোকপা খাঙখি। চীংমী নুপাদুনা হায়, 'খৃষ্টমাসকী ঈশৈ রেকোর্দ তৌগে শংব্রা হংগে লাকপনি চুরাচান্দপুরদগীনি' হায়খি। ওজানা - 'য়ানি নখোয় কৈদৌঙৈ লাক্লে হায়বনো হায়রম্মু' খুম্মী। নুপাদুনা, 'হয়েং অমুক লাকখিগে অদুগা নুমিৎ লেপ্পসি চৎলুখিগেকো ইপা..' হায়রগা নোমহৌ নোমহৌ চৎখি। চীংমীদুনা চৎখিবগা ওজানা ঐখোয়দা ওনশিল্লগা হায়রকখি- 'সিদবু ঐবু শাওবা য়ারিব্রা ? নুংশিদ্রা য়েংঙুনে' হায়রকখি। খাঙদুনা লৈরম্বা ঐখোয় ময়াম ৱা লাওনা নোকমিন্নখি।

ওজাদি মান্দনা ফাগি য়াম্না তৌই। নোংমা ঐবু লাও হায়দুনা ওজাগী য়ুমদা কৌরকপদগী চৎলুই। অতৈগী ওইরমদে ইমাসি বিনোদিনীগী মরমদা পাউ তম্বগী ওইরমখি। ইমাসিগী তুং ইল্লকখিবী তৎন-থানরকখিদবী অমনি হায়বসি নুমিৎতুগী ৱারীদগী ময়েক শেংনা খঙখি। ৱারী লোইরকপদা মরৌ লৈনা হায়খি, ঐহাক্পু লৈগা প্রমাণ তৌবা তারবদি,কবোকং লৈগা প্রমাণ তৌরকউ। কবোকংদা খোইমু ইনবা উরব্রা ..?' ঐ খুমখিদে তুমিন্না তাখি। ওজানা ইবা লাইরীকশিং,ৱারীমচা য়াম্না লৈখি। ড্রামা-লীলা, ফিল্মগী ৱারী অমদি ঈশৈ য়াম্না ইখি। ওজাদি খুৎ অনীনা কলম পায়রগা ইবনি। ওজাগী লাইরিক ময়াম অমা অশংবা মতমদা পাউ হায়দুনা পীবীরকখি। ওঝাগী ৱারীমচাশিংগী মনুংদা "ইমা খুল্লাকপীগী নোংগাং হৈ' শীংথাদবা ঙম্মোই। ওঝাগী লাইরিকশিংদা নৈনবা য়াবা য়াম্না য়াওরি। ৱারেং অসিগী ওইনা ওজানা ইবা অমদি ফিল্ম ওইনা পুথোকখিবা "লাংলেন থাদোই" গী মতাংদা লংজিন খরা কাঙথোকচরি।

"লাংলেন থাদোই" মণিপুরী ফিল্মশিংগী মনুংদা অহানবা মচু শংবা ( ৩৫ এম এম,কলর ফিল্ম) ফিল্মনি। ফিল্ম অসিগী স্ক্রিনপ্লে তৌবীখিবনা সগোলবন্দ লুক্রাম লৈরক্তগী পুখ্রম্বম নৌসাদ, ডিরেক্সন পীবীখিবা অমদি ইডিটিংনা মাইবম অমুথোই (এম.এ.সিংহ), সিনেমাটোগ্রাফি-সুরেশ পাটেল অদুগা ঈশৈ নোংমাই (মিউজিক ডাইরেক্টর)না শগোলশেম টিজেন্দ্রনা ওইবীখি। ফিল্ম অসিদা ঈশৈ শকপীখিবশিং (প্লেবেক সিঙ্গর)-শগোলশেম টিজেন্দ্র অমদি ৱাঙ্খৈরাকপম চন্দ্রসখিনি। ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংখিবদি-থাদোইগী শক্তমদা-ৱাঙ্খৈরাকপম চন্দ্রসখি, নোংয়াইগী শক্তমদা কোংব্রাইলাৎপম টেজমনি, ইবেচাউবীগী শক্তমদা তম্ফামণি, কোকঙাংগী শক্তমদা মোইরাংথেম ললিৎ, থাদোইগী মনেগী শক্তমদা ইবেয়াইমা অমদি নোংয়াইগী মমাগী শক্তমদা রাধারাণী অসিনচিংবশিংনি। চৈচৎ কুমশীং ১৯৮৪দা মীয়ামদা লান্থোকখি। ফিল্ম অসিগী প্রডুশরনা খাইদেম সখিনা ওইখি।

মণিপুরী সিনেমা ১৯৭২দগী পুথোকপা হৌখ্রে। পুথোকখিবা ফিল্মশিং অদু মচু শংদ্রিবা ব্লেক এন্দ হ্বাইদ ফিল্ম ঙাক্তনি। খাইদেম প্রমোদিনীগী কে.পি.ফিল্মস ইন্টরনেশ্নেলনা পুথোকখিবা অসিনা অহানবা মণিপুরী কলর ফিল্ম ওইখি। ওজা প্রমোদিনি মতমদু সরকারগী ডিপার্টমেন্ট ওফ ৱুইমেন এন্দ চাইল্ড প্রোগ্রামগী ফম পুরমখি। ডিপার্টমেন্ট অসি ঙসি সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ডিপার্টমেন্ট হায়না খঙনরিবা অসিনি। মসিগী ওফিস শঙলেন অসি য়াইস্কুলদা লৈরমখি। ডিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা ওজা প্রমোদিনিনা 'থাবা' হায়না মিংথোনবা য়ুনিসেপকী শেন্থং মখাদা নুপী অমসুং অঙাংগী ৱারীদা য়ুমফম ওইবা অতেনবা ফিল্ম অমসু কুমশীং ১৯৮৪দা পুথোকখি।

'লাংলেন থাদোই' ফিল্ম অসিগী অপূনবদা সিন মশীং ৫৯ না ওই। ফিল্ম অসিদা ঈশৈ পূন্না মশীং ৬ শক্লি। ফিল্ম অসিদা ঈশৈশিং অসি য়াম্না মরুওই। ওজা প্রমোদিনি ঈশৈ নোংমাই পাম্মী অমদি মহাক্লা ডিপার্টমেন্টকী ফম পায়রিঙৈদা শগোলশেম টিজেন্দ্র অমদি ৱাঙ্খৈরাকপম চন্দ্রসখি অনীসু ডিপার্টমেন্টতা থবক তৌহনবীরমখি। ওঝানা ঈশৈ নোংমাইদা পূক্লিং লুপ্লকপদা 'নোংপোক পান্থোইবী' কৌবা ঈশৈগী লোংপ্লে রেকোর্দ ফাওবা পুথোকপীরমখি। মণিপুরী ঈশৈ লোংপ্লেদা রেকোর্দ তৌদুনা পুথোকপা ঈশৈ য়াম্না লৈখিদে। লোংপ্লে অসিদা শৈশকপা অমদি শৈশকপী ওইনা শগোলশেম টিজেন্দ্র অমদি ৱাঙ্খৈরাকপম চন্দ্রসখিনা ওজা প্রমোদিনিগী ময়েক্তা ঈশৈ কয়া খুদোল তমখি। ঈশৈ অদু ঙল্লিঙৈগী মতমদা লমদমসিদা মাইক পান্দুনা উতোন ৱাতোন্দা খোঙনরিঙৈ, কৈথেল্দা ঈশৈ রেকোর্দ ডিস্ক,কেসেট য়োন্নরিঙৈদা লৈরক খুল্লক শীনবা থুংনা মীয়াম্না পাম্না তানখিবা ঈশৈ ওইখি।

'লাংলেন থাদোই' ফিল্ম অসি অরীবা ফিলম ওইবতা নত্তনা মী অয়াম্বনা কয়া য়েংনদ্রিবা অমদি কাওথোক্লখিবা ফিল্ম অমসু ওইরি। ওজা প্রমোদিনিদি মহৌশাবু নুংশিখিবা চীং-পাৎ, খুঙ্গংগী পূন্সিগী মশকপু কাওঙমখিদবা অইবীনি। লম য়াম্না চৎলকখি, চীং-মান, খুঙ্গং শিনবা থুংনা থবক তৌরিঙৈদা চৎলকখি। উরকখিবা থেংনরকখিবা মণিপুরগী মনুংহুৎনা লৈখিবা মফমশিংগী পূন্সিবু মহাক্কী ফিল্মশিং 'থবা' অমদি 'লাংলেন থাদোই'দা ফজনা উহল্লি। 'লাংলেন থাদোই' ফিল্ম অসিদা ছুটিং লোকেসন ওইখিবশিংসু তোৰ্বুং,খুগা তুরেল,বিষ্ণুপুর ব্লোক, লোক্তাক, থাঙ্গ করাং অমদি তম্পাক্কী মহৌশাগী ওইবা ফজবা মফমশিংদা ওইখি।

ঙসি অনৌবা চহীনা হৌগৎলকপা, লৈতাদ্রবা পূক্লীং ৱাখল মরক অসিদা মহৌশা অমদি চীংগী,খুঙ্গংগী পূন্সিবু নুংশিখিবী অইবীনি। লমদমসিগী খুঙ্গং অমদি চীংমী তম্মীগী নুংশিবা ৱারীবু খোরিরোল অমদি মমিগী ফিজংদা উহল্লমখিবী ওজা খাইদেম প্রমোদিনি অমদি মহাক্লা লীংখৎখিবা কে.পি রোকোর্ডিং ষ্টুডিওবু ঙসি নৌহৌননা নীংশিংলক্লি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

# অদুম য়ারিদা

নিংথমথাগী অয়ূক্তা নুংশাদা থোক্লগা মোরা অমা থারগা নুংশা ৱাওরি-ৱাওরি য়াইবসিসু নুংঙাইবজাৎনি। চহী ৬০ হেল্লবা ইপন মোনো মশা হায়রপ নানবা পামজবা, কেজ- মৌজ দুনতা লৈজবনি। মোরা মচা অমদা মঙালদুদা ফি অমা কুপ্পগা নুংশা য়াইদুনা মখূৎনা মিংশেল মচা অমা পায়রগা মমায়দু নান-নান্দুনা য়েংজরক্লিসি ফনা কুইরে। মমৌ নুপীনা ঙসাইনা চা লৈরে হায়রল্লবনি। অদুগা তাবীপোৎ নত্তে, মাগী মমায়দু অমুক চেপথ, নাকলদা অমুক য়েং, মমীৎকদু অমুক লাউথোক, পিশুমগদু অমুক শুপচিন, অমুক চেপচিং তৌদুনা য়েংজরগা মোন্দা নুংঙাইরি। মখূৎ খুদোম্বীদুনা মচিনবান্দুদা হায়রপ হায়রপ নাল্লগা শান্নরি। করি ৱাখলনো খঙদে, ইপন মোনোদু নোকফেৎ-নোকফেৎ তৌদুনা মশাদু ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা মীদৌনা মংলি। মায় ৱাখলদা খল্লি।

"ঐসি ইহন হন্দ্রিদা, অদুম য়ারিদা। সিদনিনে মৌ নহাশিংনা ঐবু মূনা-মূনা চেপথ-চেপথ য়েংলিসে। মোইনা ঐসি য়েংজরগা নুংঙাইজরিনি। ঐনা অমুক মোইনা য়েংলকপদুদা চহী নৌথজরিনি। হোয়দা মীওইবগী পূন্সি হায়বসিদি নুংঙাইথোক্কদবনিদা। মথং মপোক কায়দু ঐনা খনবদা অমুক হন্না পোক্তৌ মান্দে। মমাঙদসু পোক্লমদৌ মান্দে। ৱারী লাইরিক মমাঙ মপোক, মথং মপোক কায়না অদুক পংহায় হায়বৈ ৱানি। অমত্তা পোকপা নত্তে। অমুক্তং পোক্লকপসিদা লাইনা পীবিরক্লিবা অসি ইশাগী ৱাখল মীৎয়েং, পার্ট খুদিংমকশিং অসি চপ চানা মথৌ মঙম পাঙথোক্কদৌবনি। নুংঙাইনা হিংদোক্কদবনি। নৎত্রদি কৈ কান্ননি। কোক শিরগা লোইরবদুবো। শিদ্রিঙৈ, শিনীংদ্রিঙৈসিদা অনৌ-অপেন, অশং-অমান য়েংগদবনি।"

মওন-মওন খল্লি। হন্দক্তি মশমরোমদা অমুক মিংশেলদু য়েংলগা নানবা হৌরক্লে। মশমদু লৱাই ফজনা তাংলবনি। অতাংবা লৱাইদুদা মখূৎতুনা নাল্লি। হন্দক্তি মথৱায় খিত্তং নুংঙাইতবা মাল্লি, শমগী ফীভমদু উবদা।

'শম থাবা য়াই হায়দুনা কমাই তৌজাৎনো? সদানন্দদু দেল্লীদা শম থারুই হায়বনিনে, মাইদু ফজনা হৌরবা মাল্লে, তাঙবা অমত্তা উদ্রে, হান্নদি মশমদু য়াম পাথরম্মবনি। হৌজিক্তি মুসিন মুরদনা ফনবু ফজরেনে, লুপা কয়াগকা চংবজাৎনো? ঐবু মঙোন্দা হংলগা দেল্লীদা চৎলগা থারুরসিরা। নৎত্রগা ঐখোয় শ্বাইদগা শম লীংবা হৈবা শমলীংবগা লৈবজাৎলা" ইপনদু নুংশানগা য়ৈশিনবনো, মশম হৌদবগী খিতংগা মথৱায় ৱারুবনে, মপা-মপা তৌদুনা মকোক খজিক ঙাওবা হৌরকই। মুন্না মমিৎতু কুপ্তুখৈ মীংশেলদা তারিবা মমায়দুদা য়েংলি, মহাক মশা অমদি মাগী ৱাখলগা ৱারী শানরি,

"য়ারিবরনে সিবো"। মশাগী ৱাখলনা পূক্লিং থৌগৎলদুনা খুম্মী,

"য়াম য়ারিদা, মীদি পোক্লা পুমঙৌ ঙৌরফাও নুপী চেনবা য়াওরিপোৎনি। নঙগীদি পোক অমতসু হৌদ্রি কৈনো, য়ারি-য়ারি"

"তো অদুনেবা, কায়দগী ঐ কোক্লা হায়রপ ঙাওরুরেদনা লৱাই শম খরা কেনবসিদা"

"শম কেনবা হায়সি, নঙদা নত্তে, মী লোইনা কেন্নরি ঙাক্তনি। পুরা লংত্রিক লংনা তাংবা মক্তি নত্তেদনা। নঙগীদি চিরাইদা খজিক্তং হনজিল্লে হায়বৈ ৱানি। য়াম ফরি"।

"চুম্মে-চুম্মে, ঐনা খনবগা চপ হেক মান্নরে"

"থাজদ্রগা ফিল্মদা য়েংঙুদনা, মকোকতা মশম অমত্তা হৌদ্রবা, লংত্রিক লংলবদুদা থাওগা অমুক তৈশিল্লগা হেন্না লংহল্লিদো। অদুগুম্বা মী অফাওবা য়াম লৈরিবনি হিন্দি ফিল্মগা য়াওবা। মোইদো ফিল্মদুদা নুপী মচা, মরেং মমান্নবা নত্তবদফাওবা মীৎতা তৌশিল্লিদুনি। নুপী অহুম মরি মনাক্তা ফমহল্লগা চহী নৌথরি ময়ামদো উদ্রো, য়েংঙুনে"

"উই উই"

"অদুনি, কৈসু ৱারুনু, য়াম য়ারি। নমাই হায়রা খুইদ্রি, নকোই হায়রা ঙৌদ্রি। মীদি মকোক্কী মশমদি লায়রদনা পিশুম ঙৌরোক ঙৌরবা ফাওবা নুপী লোন্নরিমক্তদা, নঙদি কচা হায়রিসিনি, য়াম য়ারিকো"

নুংঙাইনা ৱারী শানরিঙৈদুদা মশুনুপীদুনা, মাগী লেংজুম পায়দুনা নোল্লগা কৌরকই।

"পুপু, চা লৈরে, মমানা চা হায়বদা পুপুনা খুম্মক্তে হায়সি কৈগীনো?"

মশুগী ৱাদু তাবদা ইপন মোনোদু লৌশিং খংলাক লাকই।

"হা কৈদৌরে হায়বা?"

"চা লৈরে হায়বা"

"ওহ য়ারে য়ারে"

"পুপু কৈগীনো নঙনা মীংশেল য়েংলগা ঙসাইদগী নোক্লিদো?"

"নোক্তেদা কাইদা নোকইবা"

"ঐনা লাকপদা হৌজিক্তসু নোক্লম্মিদুদি"

"ইহে অদুদি ৱারী নোক্লিংবা অমা নীংশিংবগীনিদা"

"করি ৱারী?"

"ময়া তারবা ষণনা, লমচা শাদুনা মচিদু লৈরাইদা ফেংলুবদা তেকপগী ৱারী"

"খঙদেদা অদুদি অমুক্তা তাদ্রিদা"

"তারুনু কান্নদবা ৱারীনি"

"অদু নীংশিংলগা করিগী কান্নদবদুদা পুপুনা নোক্লিবা?"

"থোই থোই চৎলো চো, ঐ সোরাৎ অমা চৎকদবা লৈ। চাক খরা ঙল্লু হায়রুচো"

"হোয় পুপু" হায়রম্মগা মশুনুপীদু ইমুংদা মমাদা চাক ঙল্লু হায়রুনবা চেনখি। ইপন মোনো মশুনুপীনা চৎখিবদু য়েংলগা মথন্তা খলহৌই।

"ঐনা খল্লিসিবু চুল্লিজাৎলা, চুম্মীদা অদুম য়ারিদা"

ইপন মোনো মখ্বায় নুংঙাইনা চাদু থক্লগা ঈরুজবা হৌগৎখি।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৩)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

**মৈদিংঙু কৈরেলচা**

নবুখৌ মৈদিংঙুদি। পলেম মমা অপোকপীগী মমিং মিংথোলগা। মিংমাননা মিংকৌবা। মৈদিংঙু কৈরেলচা ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। মৈদিংঙু কৈরেলচা কংতেক নেনচীলবা। য়াংতেক চাইচিলবদি। লমলেল পরৌ পাৎ। ৱারেল খারম লাল ও মিংকৌনখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। লৈমা চীঙয়াই ঙালনুথুমপীনা। নোংয়াই খুমল চনু। মপাম লমদম লাকপদা। মচানুপা শেলবামীমানা। মিংকৌবা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯳)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯀꯩꯔꯦꯜꯆꯥ

ꯅꯕꯨꯈꯧ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯗꯤ꯫ ꯄꯂꯦꯝ ꯃꯃꯥ ꯑꯄꯣꯛꯄꯤꯒꯤ ꯃꯃꯤꯡ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯂꯒꯥ꯫ ꯃꯤꯡꯃꯥꯟꯅꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯀꯩꯔꯦꯜꯆꯥ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯀꯩꯔꯦꯜꯆꯥ ꯀꯪꯇꯦꯛ ꯅꯦꯟꯆꯤꯜꯂꯕꯥ꯫ ꯌꯥꯡꯇꯦꯛ ꯆꯥꯏꯆꯤꯜꯂꯕꯗꯤ꯫ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯄꯔꯧ ꯄꯥꯠ꯫ ꯋꯥꯔꯦꯜ ꯈꯥꯔꯝ ꯂꯥꯜ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯅꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫ ꯂꯩꯃꯥ ꯆꯤꯉꯋꯥꯏ ꯉꯥꯂꯅꯨꯊꯨꯝꯄꯤꯅꯥ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯆꯅꯨ꯫ ꯃꯄꯥꯝ ꯂꯝꯗꯝ ꯂꯥꯛꯄꯗꯥ꯫ ꯃꯆꯥꯅꯨꯄꯥ ꯁꯦꯜꯂꯕꯥꯃꯤꯃꯥꯅꯥ꯫ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।